হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জন্যুৱারী ১০, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৮৩শুবা মশীং

## প্রোটেষ্ট ফজৈ

### খোমজিল্লিব্রা, খোমদোক্লিরাদি খঙদ্রে

জন্যুৱারী ৬, ২০২২গী য়াচংলকপদা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবন মমাঙদা চথখিবা থৌদোক্তু ওন্থোক্লা ফজখ্রে। মণিপুরনা জন্যুৱারী ২১, ১৯৭২দা মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকখিবদগী পাঙথোক্তুনা লাকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সন ১১ ফাওবদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক ওইরবসু হন্দক ১২শুবা অনৌবা মীখল পাঙথোক্লমদাইসিদদি অহানবা ওইনা থোকখ্রে। পাঙথোক্লগদবা মীখলগী মতম নোংম-নোংমগী নকশিল্লকপগী হৌনবা মীখলগী কেম্প্যেন সুম কনশিল্লকপনা মখা তানসু থোকখিগদবা মাল্লি। অমুক হন্না থোক্লক্লরোই হায়বগী পূক্নিং লূম্বা ওইদ্রি। থৌদোক অসিদগী হেনবা অতোপ্পা থৌদোকশিংসু থোরক্লবা য়ারি। তম্বা ঙমদ্রি। অদুবু হংনীংলিবা ৱাহংসি থৌদোক্তুবু মণিপুরগী লৈমায়দগী কোংগ্রেস হায়রিবা পার্টিসি মরূ ফংনা মুখৎনবগীদমক চঙশিনখিবা খোঙজং ওইরিদ্রা? অদুগুম্বা খোঙজং নৎত্রগা অদুদগী হেনবা অকনবা খোঙজংশিংনদি পার্টি অসি মণিপুরদা মরা তাহন্দবা ঙল্লগদ্রা হায়বসিনি। মরমদি পোলিটিকেল পার্টি অমা হিংহনবা নৎত্রগা মুখৎপা হায়বসিদি ষ্টেটসিগী মীয়ামগী খূৎতা লৈ। মীয়াম্না তৌগদবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অহানবা লৈঙাক দেল্লীদা লিংখ্রবসু মদুগী মতুংদা পাঙথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১১শুবা মীখলদুদা মুখৎকনি হায়রিবা কোংগ্রেস এম এল এ ২৮ কারকখি। এবসোলুট মেজোরিটিগী নকয়া য়ৌশিল্লকখি। অদুগা দেল্লীদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখিবগী কান্নবনা মণিপুরদা অহানবা ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না বি জে পিগী এম এল এ ২১ কাবা ঙমখি। কানরকখ্রিবা পার্টি অনীগী এম এল এ মশীংশিংসি দেল্লীদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা লৈরে হায়দুনা মণিপুরদা কোংগ্রেস পার্টিগীসু সিঙ্গল মেজোরিটিদা হেক্তমক হাইথখিবসু নত্তে। বি জে পিনসু ২১ য়ৌনা হেক্তা কারকখিবসু নত্তে। হোয় দেল্লীগী য়াকাদা হিংজরক্লিবা মণিপুরগী মীয়াম, মণিপুরগী লৈজবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং ষ্টেটসিদা য়ৌরক্লবা পার্টিশিংদা মসিগী মমিশিং তাখিদববুদি নত্তে। অদুবু মদুমক্লা অচৌবা অমসুং অমত্তা ঙাইরবা মরম অমদি ওইখিদে হায়বনি। মরমদি দেল্লীদা লৈঙাক পায়বা পার্টি খুদিংমক্কী তুংইনবমক ওইরল্লবদি বি জে পি ঙাক্তা কাদুনা এবসোলুট মেজোরিটি ফংলমদ্রিবা করিগীনো?

মরম অসিনা ষ্টেটসিদা পোলিটিকেল পার্টি অমা, পার্টিদুগী মীরেপশিং থাগৎপা নৎত্রগা থাগৎতবগী ৱাফমদুদি মণিপুরগী ভোটরশিংগী খূৎতা লৈ হায়বনি। পার্টি অমদগী অমদা চোঙথোক-চোঙশিন তৌনবগী থবকসু দেল্লীদা লৈঙাক পায়বা পার্টিখক্তগী মখা পোন্দে হায়বসিমসু অশেংবা ৱাফমনি। অদুবু পূম্নমক্কী সেন্টরদা অমসুং ময়ায় চবুক্তা লৈরিবদি ভোটর মীয়ামনি। মতাংশ্বাইদদি পার্টিদগীসু মীরেপ্পা হেন্না লুরকই। মীয়াম্না য়াবা-য়াদবগী মখা পোল্লি। অদুবু বি টি রোদতা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটি (এ আই সী সী) গী মকোক থোংবা লুচিংবা সোনিয়া গান্ধী অমসুং রাহুল গান্ধীগী মীতম মৈ থাখিবা, কোংগ্রেস ভবনগী য়োৎকী গেটতা চোঙশিন-চোঙশিন্দুনা খোঙপাক্লা কাওখ্রিবদুবু পব্রার পায়রিবা পার্টিগী মরোই-মনাওশিংনি, তুংইনবশিংনি হায়বদুনা মথৌ শংলগা লৈজবা থৌনা লিংজেল ফুদোক্তুনা কদাই ফাওবা তৌবা ঙম্মী হায়বদু উৎথোকপগী ৱারা নৎত্রগা হৌজিক পাঙথোক্লগদবা মীখলসিদি পার্টি-পার্টিগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা চৎলোই, পার্টিদা লৈবা মীনুংশিনসু য়ারোই, নম্ফু হাফুদা হেক্তমক লোইনা হুমদুনা পুবা য়ারগনি হায়না থোকহনখ্রিবা থৌদোক্লা হায়বগী ৱানি। বি জে পিবু নুংশিজদুনা পামজরম্বা, ফৈগাক ফৈনা লেপ্লম্বা মীয়াম ভোটরশিংগী মরক্তগী থৌদোক্তুগী মতুংদা খূৎ হাইরন্নগা লাপথোকখিবা য়াওরক্লোই হায়না খনবদগীরা? করিগুম্বা য়াওরক্লগদি থৌদোক্তুনা ভোট খোমজিনবগী মহুত্তা খোমদোকখিবা ওইনা থোক্লোইদ্রা হায়বনি। প্রোটেষ্টতুবুদি ওন্থোক্লা ফজখ্রে। মৈ থাদোক্লিংলিবা মীতম অনী মৈ থাখি। কোংগ্রেস ভবনগী গেটতা খোঙপাক্লা কাওশিনবা ঙমখি। খৌনাও তৎপমক য়ৌনা লাওশিনবসু ঙমখি। মথংগী নুমিৎ জন্যুৱারী ৭, ২০২২দা আই এল পি এসকী ৱাহৌদা মহৈরোয় লূপ মরিগী থৌমীশিংনা মীতম মৈ থাবদা পুলিসনা ষণ-ইরোই ফূবদৌনা ফূ-চৈখিবা অদুম্মকসু থোকখিদে। মনীং-তম্না প্রোটেষ্ট তৌখি। অঙম্বনা তৌবনি, তৌবা ঙমজদবা কাঙবুনা নীংদোল পোমদুনা তেংথাজবগী ৱানি। অকনবনা অচুম্বা শকপগী থৌদৌনি। চৎনবীসি মীওইবা খুন্নাইদা লিশাং শিংনা লৈরক্লিবা অমসুং মখা শমথনরক্লিবা মীওইবা ফুরুপকী মচৎনি। অদুবু হন্দক থোকহল্লক্লিবা থৌদোকসিদি নুংশিখ্রবা ইপা শিখিবদুবুদি নুংঙাইতবা তৌদে, লাইকোই চাকখিবদুমদি পেনখ্রেদা হায়দুনা মফি কল্লকপা য়াওরক্কনি হায়বগী ৱানি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩

১) *“তালোই মরুম্বী, মপারি নুংজানবা, মমোম নুংঙোনবী মরল য়াৱা পুজাও রোইবা পুন্নমাসুং অমল য়াইথোং কুম্বদা ৱাইর লমজেন ফিগুম ঙাইরোইনদে। গুরুমপাওতাক ফংজবদা -- ৱারমসনা মৈখাংবদুম নামপ্রকাশ ময়েক অহুমমানা ৱাকয়ৈ হিগা ওই, লমলোই থৌদোক খোলনা খুমুনৌগা ওই, ৱাচুম ললওইননা মানা মানা নিংবদা লাংওনখিএ। অসিগীদমকপু গুরুসনা মাখোংখাদা নোন্না লনথোই তানববু থিনফরোইএ”* ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) **“শ্রী শ্রী গোবিন্দজী বসন্ত হোলি লিলা শৈশক শৈরেং”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) *“ইচে বীনো”* হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) *“ফিমন খুনবা”* হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কৃষ্ণমোহননা হন্দোকপনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা করি লোলদা ইবা করি মমিং কৌবা লাইরিকনো?

৫) *“মীকুপ খরদুই পুন্সিগী মহাও”* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

## মরী চৎপী পান্থীদা চৈঙাক্কী মহুৎ : ত্রেলিস নেট

ডো: এম থোইথোই সিংহ



থবী পান্থীদা ত্রেলিস নেট শীজিন্নবা



ত্রেলিশিং থ্রেট অমসুং প্লান্টস সপোর্টকী শীজিন্নবা

মরী চৎপী পান্থীশিংনা মকা লাম্না, চুম্না হৌজনবা চৈঙাক পীনৈ। শগায় শানৈ। অদুবু শেম শাবা ৱাদবা অমসুং শেঞ্জং হন্থবা য়েংলগা অরনবা পোলি নেটনা চৈঙাক অমসুং শগায়গী মহুৎ শিনজিন্দুনা মতমসু চঙহন্দ্রে। পোলি নেটতা শীজিন্নরিবা লংলাসি মিলিমিটর ১.৫দগী অহুম ফাওবদং চাওই। অরন অকুংনা ১০০ এম এম x ১০০ এম এমদগী ১৬০এম এম x ১৬০ এম এম ফাওবা শীজিন্নবনা হেন্না খুদোং চাহল্লি। খুদোংচাবগী মতুংইন্না হন্থনা অমসুং হেনগৎনা লাওবা ত্রেলিস নেটসু শীজিন্নৈ। নেট শীজিন্নবনা কান্নবা কয়া অমগী মথক্তা য়েংবদসু য়াম্না ফজহল্লে।

মরী চৎপী পান্থীশিং - হৱাইথরাক, কোলি হৱাই অৱাংবী, থবী, কারোট অখাবী/খাদবী, ঙাকচৌ মানবী, হৱাই থাংপাক, শেবোট, খোঙক্রুম, মাইরেন, তোর্বোটনচিংবা পান্থীশিং থাবদা চৈঙাক পীনৈ, শগায় শানৈ। মসিদা নত্তনা খামেন অশিনবা, কেপসিকম, উমোরোকনচিংবা থাবদসু পান্থীদুগী য়াল্লবা মসাশিংনা পুরিবা য়াল্লবা মহৈশিংবু মপুঙ ফানা পুবা ঙম্নবা, পান্থীগী মসাশিং শেখহন্দনবা চৈঙাক পীনৈ।

অদুবু ঙসিদি পাঙ্গল, মতম, শেঞ্জং হন্থনবা, উ-ৱা কয়াদুগী মহুৎ মতম কুইনা চৎপা প্লাষ্টিক থৌরি অকুপ্পনা লোনবা জালি (Trellis net) শীজিন্নদুনা য়াম্না লায়থোকহল্লে। থারিবা পান্থীদুগী ৱাংবা অমসুং মহৈ-মরোংদুগী চাওবা, লূম্বা খেন্নবগী মতুংইন্না শীজিন্নগদৌরিবা নেট (Trellis net) কীসু মখল অহুম থোক্লা ফংহল্লি।

১) অয়াম্বা পান্থী - হৱাইথরাক, কারোট, থবী, শেবোৎ, হৱাই থাংপাক, হৱাইশাংবী, ঙাকচৌ মানবীনচিংবগী

২) খরা লূম্বা পান্থী - খোঙক্রুম অঙ্গরনচিংবগী

৩) খরা হেন্না লূম্বা পান্থী - মাইরেন, তোর্বোটনচিংবগী

খামেন অশিনবা, উমোরোক, কেপসিকম্নচিংবগী ওইনদি ত্রেলিস নেট শীজিন্নবগী মহুত্তা ত্রেলিশিং থ্রেট অমসুং প্লান্ট সপোর্ট ক্লিপ ওইনা শীজিন্নগনি।

ত্রেলিস নেট শীজিন্নবগী খুদোংচাবশিং -

১) শেম শাবা মতম চঙদে। শাংনা তিংথোক্লগা উচুকশিংদা পুনশিল্লগা লোইরে। শম্বলগুম তিংথোক্লিবা নেটকী নাক য়েৎ অনীমক্তা পান্থীশিং থাবনা মরম ওইরগা পান্থী য়াম্না চনবা হেল্লি।

২) প্লাষ্টিক্কী লংলাশিংনা শেম্বা নেট ওইবনা পান্থীদা মমি তাহন্দে। শগায় অমসুং চৈঙাক্লা য়াম্না খেন্নহল্লি। নুংশা মরাং কায়না ফংহল্লি। শেড ইফেক্ট লৈহন্দে।

৩) চৈঙাক/শগায়দি চহী অনী চৎপা ৱায়। ত্রেলিস নেটতি চহী মঙাগী মপুন্সি লৈ। UV Stabilized নি।

৪) পান্থীদুগী মতম হেক লোইবগা ত্রেলিস নেটতি থুপচিল্লগা মথং চহীগীদমক থমখিবা য়ারে। উ-ৱাশিংদুদি (শগায় অমসুং চৈঙাক্কী) খুদোংচাবা ৱাৎলি। কুইনা থম্বসু য়াদে।

৫) শেল চঙদে। ফুট ৩০০ শাংবা ফৈদোম অমগীদমক লুপা ৯০০দগী ২৫০০ মুক্তং চঙই।

৬) হীদাক কাপ্পদা পান্থীগী শরুক পূম্নমক পালহনবা ঙম্মী। চৈঙাক শগায়না ঙাকথোকপদা পালহন্নীংলিবা তীল নৎত্রগা লায়নাগী শরুক্তুদা পান্দবা হায়বদু ওইদে।

৭) তীল লায়না হেক তাবা হৌবদা খঙবা ঙম্মী। তীলগী লোৎফম লৈহন্দে। লায়না তীলনা তাবা হন্থে।

৮) হেকপা মতমদসু মহৈ মরোং চীথ নান্থবা লৈররোই।

৯) নুংশিৎ-নুংশা মরাং কায়না ফংহল্লি। পান্থীগী Physiological activity শিং হেনগৎহল্লি। পান্থী থুনা চাওহল্লি। পোথোক হেনগৎহল্লি।

১০) পান্থী মশীং হেন্না থাবা চল্লি। লম হেন্না কনশিন্দে।

১১) অহেনবা মসা ককথোক-ককশিন নুংঙাইহল্লি।

১২) নোংগী ঈশিং মনাশিংদা নপ্তুনা মতম শাংনা লৈবদগী তীল-লায়না তাবগী চাং ৱাংবদুসু হন্থহল্লি।

১৩) য়েংবদসু য়াম্না ফজহল্লি। চাং মান্নলা উহল্লি।

কান্নবা ময়াম অমা লৈবা মীপূম খুদিংনা শীজিন্নরক্লি। ●

## ওর্গানিক ওইবা মওংদা কোলি হৱাই থাদুনা শেন্দোং হেন্না ফংনবা হোৎনরসি

এস সুমঙ্গল

হৱাইশিংনা মচি ওইবা চিঞ্জাক মচল পীদুনা ঐখোয় মীওইবনা হকচাং ফনা হিংবদা অচৌবা থৌদাং লৌই হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। হৱাইশিংগী মনুংদা কোলি হৱাইসু মরু ওইবা অমনি। কোলি হৱাই মখল কয়া অমনি। শাহৌদা য়েংলগনা মরী চৎপী অমদি মরী চৎতবি; অনীসিদা অমুক মনা পুঙবা-পুঙদবা; মশিং য়াওবা-য়াওদবা কয়া অমনি। মশিং য়াওদবশিং অয়াম্বদি তেকনা থরাক ওইনা অয়াম্বনা চানৈ। মশিং য়াওবা কাঙবুনা অয়াম্বা মরূ অরিবা ওইনা চানৈ, অদুবু মশিং য়াওবা মখলশিংসু নৌরিঙৈ মতমদদি মশিংশিং কনশিন্দ্রিবা মরম্না থরাক ওইনা অদুমক মখল কয়াগী এঞ্জাং থোংদুনা চানৈ। অরিবা মরূ ওইনা লোক্তুনা চানরিবশিং অসিবুনি রাজমা হায়না খঙনরিবসি। রাজমাদা চাংচৎতা য়াওবা চিঞ্জাক্কী মচলশিংদি প্রোতিন ২২%, মহাউ (ফেট) ১.৭%, লোয়ননা অকঙবা মরূ গ্রাম ১০০দা কেলসিঅম মিলিগ্রাম ৩৮১, ফোস্ফোরস মিলিগ্রাম ৪২৫, আইরন মিলিগ্রাম ১২.৪ অমসুং অতেকপা থরাক্তা ভিটামিনশিং মরু ওইনা ভিটামিন বি পনবা য়াই।

কোলি হৱাই মখলশিং অসি ওর্গানিক ওইবা মওংদা থাবদা অদুমক নিংথিনা চানবা পান্থী মখলনি।

চানবা ঈশিং নুংশিৎ : য়াম্না শাবা অমদি য়াম্না ঈংবা নত্তনা মতম অয়াম্বদা থাবা য়াবা পান্থীনি। নুমিৎকী থোকপা অমদি তাবা মতম শাংবা নৎত্রগা তেনবদা অকায়বা অমত্তা লৈতনা নিংথিনা হোৎনরবদি পোথোক মতিক চানা পীবা ঙম্বা পান্থীনি। পান্থী অসি উনদা খাঙবা ঙমদে, য়াম্না শাবা মতমদনা মপান, মহৈ নীংথিনা শাবা, পানবা ঙমদে, য়াম্না ঈংবা মতমদনা শাহৌ নিংথিনা হৌবা ঙমদে।

লৈবাক লৈহাও : ঈশিং তুংলোইদবা তুরেল মপানগী ফ্রোং ফ্রোং লাওবা ফোলি তাবা অশিন অয়াক্কী চাংনা ৬-৭ ওইবা লৈবাক লৈহাওদনা য়াম্না হেন্না পকনৈ। তঙাইফদনা লৈতান লমদসু অদুমক থাবা য়াই।

মখল : মরী চৎতবা মপান্দগী পুশিল্লকপা মখলশিংদি অর্কা কোমল, স্নেহা, অন্নপুর্না অসিনচিংবা পনবা য়াই। মরী চৎপা মখল খরদি হান্ননা ঐখোয়গী লমদমসিদসু লৈজৈ। তাং-খুল হৱাই হায়না খঙনবা মশিং য়াওদবা য়াম্নসু থরাক চাওনা শাংনা পানবা অসিসু মীয়াম্না চম্ফুৎ হৱাই হায়না খঙনরিবা কোলি হৱাই মখলনি হায়বা য়াই। য়াম্না ফবা মীয়াম্নসু য়াম্না পাম্নবা মখলনি। শেন্দাং হৱাই মখল কয়া অমসু অদুমক মণিপুরদা ফংলি। মখোয় খুদিংমক ওর্গানিক ওইনা থাবদা অদুমক পক্লবা য়াই। ওর্গানিক ওইনা য়োল্লগদি শেন্দোংসু য়াম্না ফংগনি।

মরূগী চাং :

অনেম্বা মখল : শঙমদা কিলো ১২-১৫।

মরী চৎপা মখল : শঙমদা কিলো ৮-১০।

থাবগী মতম : ফেব্রুৱারী-মার্চ অমসুং ওগষ্ট-সেপ্টেম্বর।

হার হাপ্পা : ওর্গানিক ওইনা থাগে হায়রবদি ষন্থি-ষণযুংগী হার ফংনবা হোৎনবা তঙাইফদে। শঙমদা ষণ গাড়ী মপোৎ ৪-৫গা লোয়ননা রোক ফেসফেট হায়রিবা হার মখল অসি কিলো ৮০-৯০গা লোয়ননা থাগদবা থাখায় ৱাৎলিঙৈদা নিংথিনা খোইজিনবীহৌগনি। নৎত্রগনা হায়রিবা অনী অসি নিংথিনা য়ানশিন্নরগা কাঞ্জুলদা খুজোক অমমম (গ্রাম ৩০০) হাপ্লগা মথক্তা লৈবাক খরা খোপচিল্লবা মতুংদা মরূ অনী অনী খোপচিল্লবা লৈবাক মথক্তা হাপখ্রিবা হারদা থেংদনবা মওংদা থাবীগনি।

ইশানা পুথোকচবা ভর্মিকম্পোষ্ট লৈরগদি ষন্থি-ষণযুংগী হার তঙ্খাই হন্থহনবা য়াই। ষণ গাড়ী মপোৎ অনীগা ভর্মিকম্পোষ্ট ষণ গাড়ী মপোৎ অমগা রোক ফোসফেট কিলো ৮০-৯০গা য়ান্নরগা হাপ্পা তঙাইফদে। হৌজিক্কী মতমদদি অতোপ্পা ওর্গানিক্কী ওইবা হার মখল কয়া অমসু কৈথেলদা ফংলে, মখোয়শিং অদুমক শীজিন্নবা য়ারে। হার অসি পাক শন্না চাইথোক্লগা হাপ্পদগীদি কাঞ্জুলদা হাপ্পনা ওইজবা য়াম্না হেল্লি।

নুংশিৎতা য়াওবা নাইত্রোজেন ফাজিনবা ঙম্বা মহিকশিং ফাজিনবা ঙম্বা হিংকুপশিংগা লোয়ননা নোদ্যুল (মরাদা মরূম মরূম শৌবা) শেম্বগী থৌওং অসি কোলি হৱাইদদি কয়া থেংনদে অদুবু ঐখোয়গী লমদমদা ফংজবা মখলদদি খরা অদুমক থেংনৈ। মরম অদুনা নাইত্রোজেনগী হার য়াম্নমক হেন্না চঙদবগী পাউদমসু লৈ।

ঈশিং চনবা : অয়াম্বনা নোংগী ঈশিংদা তাংদুনা থাবদা অদুমক য়াবা থেংনৈ অদুমকপু কা হেন্না নোং চুদ্রবদি হৱাইনা মপান শাবা হৌরকপদা ঈশিং অমুক্তং চনবীবা ঙল্লবদি চাথোক হেন্না ফংনবা মচাক ওইগনি।

মণিপুরগী ওইনা ফৌ লোক্লবা মতুংদা ফেব্রুৱারী থাদা থাবদা মথংগী ফৌ থাবা মতম হেন্দোক্লা নংই।

লায়না :

এন্থ্রাকনোজ : ৱাওথাংননা মুরপ তৌবা চাথৎপা মানবা দাকশিং উগনি। মসি থোক্তনবা অফবা মরূ শীজিন্নবা ফৈ। ক্রোপ রোটেসন তৌবা কান্নগনি।

রাইজেক্টোনিয়া ব্লাইট : লৈবাক্লা তাইনবা মখোঙদা ঙাংলৈনবা মচুগী কুৎশিনবা মফমশিং উবা ফংগনি। মসিগীদমক ত্রাইকোদরমা শীজিন্নবা য়াই।

তীলনা : ব্লিষ্টর বীতল কৌবা তীল মখল অমনা মপান শাথিনা চাথোকপা থেংনবা য়াই। মসিদি ওগষ্ট থাগী অহানবা থাখায় মতুংদা থাবদা তীল অসি তারোই। করিগুম্বা তারবসু খূৎনা ফাদোকপা নৎত্রগা ব্যুভেরিয়া বাসিয়ানা য়াওবা হীদাক বাবা, দাদানচিংবা হীদাক অসি ঈশিং লিটর অমদা মিলিলিটর অমা য়াল্লগা নুমিদাংৱাইরম অনীরক হাপ্তা কান্নরগা কাপথোকসি।

মাইট : হায়রিবা তীল অসিসু য়াম্না শাথীবা মখল অমনি। মসিগীদমক্তি নীম ওইল শীজিন্নবা য়াই। অতোপ্পা হীদাক মখল কয়া অমসু কৈথেলদা ফংলে। মতম মতমগী ওইনা অখঙ অহৈ তানদুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনসি।

হেকপগী মতম : ময়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমদি মতম চানা লোকপনা মীনা পাম্বা হেল্লি হায়বসিনি। থরাক্কীদমক্তদি থরাক্লা মপূং ফারবা, পঙলিসু লিদ্রিবা মতমদা ওইনা হেকপীগনি। নুমিৎ হুমনি/মরিনি খুদিংগী হেকপা য়াবা থেংনৈ। মরূ চানবা হেকপদি মকুনা খরা কংশিনবা হৌরবা মতমদা হেকপীগনি।

তুং কোইবা লৌউ অমগীদমক, চারিবা অমদি থারিবা অনীমক্কীদমক লোয়ননা লৈবাক লৈহাওগীদমক ওর্গানিক ওইবা মওংদা লৌউ পথাপ পায়খৎলবদি পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।